**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- অস্ত্রো ফিজিসিষ্ট ডাঃ রোনালদো লাইশ্রমনা বিগ্যানগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌদুনা লোক্তাক পাৎপু লৈবাক অসিগী মেপতা উহনবা খক নত্তনা মালেম পুম্বদা মশক তাক্লে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম অসিনা ভারত লান্মীগী মরৈবাক নীংবা, কৎথোকপা অমসুং মথৌনা মরিংজেল অদুবু নৌহৌনা নিংশিংহল্লি।

৩) মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়- ভারতকী লান্মীশিংনা চিরবা মতমদা চোকথবা লৈতনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংবু ঙাক্তুনা লাক্লি।

৪) প্রলহাদ জোসি ঙসিদগী কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ওইনা থৌ প্‌রে।

অমসুং

৫) কম্মনৱেলথ গেমসকী নুপাগী কিলোগ্রাম ৬০ গী নুপাগী ৱেথ লিফতিং ইভেন্টতা মণিপুরগী চনম্বম রিসিকান্টনা অনৌবা গেমস রেকোর্দ থমদুনা লুপাগী তকমান লৌরে।

------

মনকিবাটঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মণিপুর মচা অস্ত্রো ফিজিসিষ্ট-ডাঃ রোনালদো লাইশ্রমনা বিগ্যানগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌদুনা লোক্তাক পাৎপু শুপতগী লৈবাক অসিগী মেপতা উহনবা খক নত্তনা মালেম

পুন্নদা মঙাল পীরে। অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা প্রধান মন্ত্রিগী পুকি ংগী ৱা, মন কি বাটকী ১৩৬ শুবা থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- জপানদা লৈবা নেসনেল এষ্ট্রোনোমিকেল ওবজার্ভেটরি ওফ জপানদা রিছার্সর ওইনা থবক তৌরিবা মণিপুরগী থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তগী ডাক্তর রোনালদোনা নৌনা শেন্বা গেলেক্সিসগী মরমদা থিজিল্লিবা টিমদা শরুক য়াদুনা মসিগী মমিং মনিপুরগী ফজরবা লোক্তাক পাৎকী মমিং লৌদুনা 'লোক্তাক প্রোটো ক্লস্তর' হায়না মীং থোনখ্রে অমসুং মসিদা প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মণিপুরগী নহা ওইরিবা এষ্ট্রো ফিজিসিষ্ট অসি থৌবাল জিলাগী খাঙবোক অৱাং লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা লাইশ্রম মহাজোন সিংহ অমসুং লাইশ্রম সনাহনবীগী মচা মঙাগী মনুংদা ইতোন তোনবনি। হৌজিক আমেরিকাগী লোস এঞ্জিলসতা লৈরিবা ডাঃ রোনালদোনা নৌনা পুথোকখিবা গেলেক্সি কাংলুপ অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা ফোংদোক্লি।

ঙসি জ্লাইগী ২৬, নুমিৎ অসিনা লাকপদা কার্গিলগী লানদা সহিদ ওইখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা প্রধান মন্ত্রিনা ইকায় খুমবসু উৎলি। মহাকা হায়- ঐখোয়না থৌনা ফরবশিং অদুবু শুপগী নীংশিংবতা নত্তনা অনৌবা মীরোলদা মখোয়গী থৌনা ফবগী ৱারীসু তাহল্লি। ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা চহি অসিদা থোইদোকপা সৌরিয়া বিজয় যাত্র অমসু শিল্লি হায়না শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-থা অসিগী ১৪ দগী দিল্লিগী নেসনেল ৱার মেমোরিএলদগী খোঙশানখিবা মোটোর সাইকলগী খোঙচৎ অসিনা ৱান রাইদ, ৱান নেসন, ৱান সেলুট হায়বা পাউজেল অসি পীরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা মশাগী লান্মীগী থৌনাগা লোয়ননা টেকে ালোজিগী তৌবা ঙম্বশিং অদুবুসু মরা চেৎহল্লি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা আই.এন.এস. মহেন্দ্রগীরিবু ভারতকী ঈশিং লান্মীদা শিন্নখিবা অদুমক ভারতনা মরোমদোম লেপচনবগী পাঙ্গল হেনগৎলকপগী খুদম অমনি।

পধান মন্ত্রিনা ত্রিপুরাগী মহৌশাদগী শিজিন্নরক্লবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট চোংপ্রেংগকী মরমদসু পনখি। লাক্লিবা আগষ্ট ১৫ দা ইশাগী য়ুমথোং খুদিংদা ইজৎকা লোয়নননা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনসি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা

ফোংদোক্লি। লৈবাক শিনবা থুংবদা চংশিল্লিবা ইহৌ, ইমাগী মিংদা উপাল অমা হায়বসিগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-উ পান্বীশিং অসি মীওইবা খক্কী নত্তনা মশিং থিঙমদ্রবা জিবা কয়াগীসু ময়ুম ওইরি। ঐখোয়গী পুন্সিদা মতম খরদং ওইরবসু প্রকিতিগা লোয়নবীনবা আপিল তৌরদুনা শ্রী মোদিনা ইমাগী মিংদা উ পান্বী অমত্তং ওইরবস্ থাজিনবীদুনা তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংগীদমক অশং-অমাননা থল্লবা, শেংলবা ঈশিং নুংশিৎপু খুদোল ওইনা থন্লমবসু প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী মনা কি বাট থৌরমদা ফোংদোক্লি।

ফ্রেন্দসিপ (এল)ঃ ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন মোইরাংনা শিন্দুনা লেন্দ মেনেজমেন্ট সিষ্টেম ইন দ ষ্টেট ওফ মণিপুর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মোইরাং লমখায় শান্তি মান্দপতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট লোয়ননা লেন্দ মেনেজমেন্ট রিছোর্সেস অমদি ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী স্পেসিয়েল সেক্রেতরি- আর.কে. অমরজিৎ সিংহনা অথোইবা মীথুং অমসুং রিছার্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শ্রী এম. নোরেন সিংহ এম.পি.এস রিটায়ার্দসু শরুক য়াখি।

বিজয় ঃ ১৯৯৯ গী কার্গিল লানদা সহিদ ওইখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা ঙসি কার্গিল বিজয় দিবসকী পালন থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিং অদুগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা রাষ্ট্রপতি মুরমুনা হায়- লান্মীশিংগী হনবা লৈত্রবা থৌনা লিংজেল অমদি মরৈবাক নীংবগী থৌওং অদুনা ভারত লান্মীগী থোইদোক হেন্দোকপা পাঙ্গল অদু উৎলি। মহাকা হায়- মখোয়গী থৌনা লিংজেল অদুনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা কৎথোকপা অমদি মথৌ মশক খঙবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু সেবা তৌবদা পুকিং থৌগৎলগনি।

উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়- ভারত লান্মীগী থোইদোক হেন্দোকপা থৌনা লিংজেল অমসুং কৎথোকপনা কার্গিল লানগী ঐতিহাসিক ওইরবা মায় পাকপা অদু পুরকপা ঙমখিবনি। লৈবাক অসিনা থৌনা ফরবশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মতম চুপ্পদা লমন তোনদুনা লৈরগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু থৌনা ফরবা লান্মীশিং অদুগী থোইদোক হেন্দোকপা মথৌনা মরিংজেল অমদি মমা লৈবাকপু ঙাক শেনবগী অচেৎপা ফিরেন অদুদা মতম চুপ্পদা লৈবাক অসিগী মীয়ামা কোক নোল্লি হায়রি। মহাকা হায়- খুদোংথিরবা মতম অদুদা মখোয়না উৎখিবা থৌনা লিংজেল অদু মতম চুপ্পদা লৈবাক অসিগী চাউথোকচফম ওইহৌরগনি।

মণিপুরদসু কার্গিল বিজয় দিবসকী পালন থৌরম পাঙথোকখি। রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- ঙসিগী নুমিৎ অসি ভারত লান্মীগী মরৈবাক নীংবা, কৎথোকপা অমসুং মথৌনা মরিংজেল অদু উৎপগী অচৌবা খুদম অমা ওইনা লৈহৌরগনি। মহাকা হায়-মসিনা তুংগী মীরোলদসু পুকিং থৌগৎলগনি। রাজ্যপালনা হায়-মনিপুরগী মীওই কয়ানসু লান্মীগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংদা থবক তৌদুনা লৈবাক অসিগী সেবা তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়- নুমিৎ ৭৮ নি চুপা চথখিবা ওপরেসন বিজয়দা ভারত লান্মী ৫২৭ মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখি। মদুগী মনুংদা থোনা ফরবা মণিপুর মচা ৫ য়াওরি। কার্গিল লানদা ভারত লান্মীগী অপুনবা থৌনা উৎতুনা মালেমদা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎখি। মহাকা হায়-ভারতকী দিফেন্স ফোর্সতা লৈরিবা লান্মীশিংনা লৈবাক্কী চিরবা মতমদা চোকথবা লৈতনা হোৎনদুনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংবু ঙাক্তুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, তুরজিম মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেতরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পি,

রাজ্যগী সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম চুরাচান্দপুর, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাশিংদা পাঙথোকখ্রে।

মৈ (এল)ঃ এলেভেন কে.ভি. কোইরেঙ্গৈ ফিদর অমসুং বি.এস.এফ ফিদর লাইন্না কোনবা মফমশিং কোইরেঙ্গৈ, নিলাকুথি, লুৱাংশংবম অমসুং বি.এস.এফ কেম্পনচিংবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ১০ তাবদগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি। এম.এস.পি.দি.সি.এলগী লমলোং সব-দিভিজন নম্বর-ৱানগী মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কোইরেঙ্গৈগী রিং রোড হৌজিক চথরিবা শেম শাবা অসিগী য়েংলগা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি।

লাইরিক (এল)ঃ মেমোরি, মেনিপুলেসন এন্দ মাইগ্রেসন: অন্দরষ্টেন্দিং দ এনোমেলিষ্ট ইন মণিপুরস সেন্সস ১৯৬১ টু ২০১১ হায়না মীংথোনবা ডাঃ মাইকেল শমজেৎশাবমনা ইবা লাইরিক ঙসি ফোংখ্রে।

লাইরিক অসি নেসনেল রিছার্স সেন্তর (এন.আর.সি) মণিপুরনা ফোংবনি। কাঞ্চিপুরদা লৈবা এন.আর.সি বিল্ডিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. রাজমুহোন সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

ওকপা (এল)ঃ অহানবা হৈস্নাম নুপীমচা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট অমসুং পাৎশোই তুলিয়াইমা সেন্টিনারি ক্লবনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মকোক তারক্লবা মীওই ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাৎশোই পার্ট থ্রিদা লৈবা পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- শাপম কুঞ্জকেশ্বর সিংহ শরুক য়াখি।

রেড (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ফয়েংদা লৈবা ১২২ শুবা সি.আর.পি.এফকী বত্তাল্লিয়নদা করমা হার্ট

এটেক তৌরকপদা মতেং পাংগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

জোসি ঃ প্রলহাদ জোসি ঙসিদগী কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ওইনা থৌ পুরে। ধরমেন্দ্র প্রধান্না মহাক্কী ফম থাদোকখিবদগী শিক্ষা মন্ত্রিগী ফম অসি প্রলহাদ জোসিদা অহেনবা ওইনা শিন্নবনি। হৌজিক হৌজিক শ্রী জোসিনা কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিবুসন অমসুং নিউ এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রি ওইরি। শিক্ষা মন্ত্রি ওইরবা তুংদা শ্রী জোসিনা সভাপতি ওইদুনা শিক্ষা মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং থৌরাংশিংগী মতাংদা য়েংশিনখি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি জয়েন্ট চৌধুরি অমসুং মন্ত্রালয় অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি। তুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী জোসিনা হায়- মন্ত্রালয় অসি য়ামা চাউবা অমসুং সরকারগী য়ামা মরুওইবা বিভাগ অমনি। মন্ত্রালয় অসিগী অক্প্পা মরোলশিং নিংথিনা য়েংশিল্লবা মতুং তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎকনি। শ্রী জোসিনা শিক্ষা বিভাগকী দাইত্ব অসি শিন্নরকপগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

গেমস ঃ গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসকী কিলোগ্রাম ৬০ গী নুপাগী ৱেথ লিফতিং ইভেন্টতা মণিপুরগী চনম্বম রিসিকান্টনা অনৌবা গেমস রেকোর্দ থমদুনা লুপাগী তকমান লৌরে। রিশিকান্টনা স্নেটস ইভেন্টতা কিলোগ্রাম ১২১ থাংগৎতুনা অনৌবা গেমস রেকোর্দ থমখি। ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৪৩ থাগৎতুনা পুন্না কিলোগ্রাম ২৬৪ থাগৎখি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮ গী নুপীগী ৱেথলিফতিংদা হৌজিক মণিপুরগী মিরাবাই চনু হৌজিক শান্নরি। স্নেটসকী অহানবা এটেম্পতা কিলোগ্রাম মরিফুনিথোই (৮২) থাংগৎখি। বোক্সিংদা ঙসি নুমিদাং পুং ১১ মিনিত ৪৫

চৎপা মতমদা মনদেংবম জাদুমনিসু কিলোগ্রাম ৫৫ গী কাংলুপ্তা প্রিক্বাটর ফাইনেল মেটচতা পাকিস্তানগী সুমামা রেহমনগা লম্বা তৌনগনি।

দুরান্দ (এল)ঃ ১৩৫ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি রাঞ্চিগী বিরসা মুন্দা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা জামসেদপুর এফ.সিনা শ্রীলঙ্কাগী দিফেন্দরস এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। হৌজিক কোলকাতাগী কিশোর ভারতি ক্রিরাঙ্গনদা ইন্দিয়ান আর্মি ফুটবোল টিম অমসুং সমালেশ্বরি স্পোর্তিং শান্নরি।

সাইকল (এল)ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া সাই, এন.টি.সি খুমন লম্পাকা কার্গিল বিজয় দিবসকা মরী লৈননা শিনবা সনডে ওন সাইকল ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ২৬ সুবা সেক্তর অসাম রাইফলস পল্লেলগী কম্মান্দেন্ট মুহামদ আকবর, মেজর শরাংথেম ইহেস মীতৈ অমসুং এস.টি.সি সেন্তর ইনচার্জ মাইবম রমনি চনু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ত্রেনিং সেন্তর অসিগী শান্নরোইশিংনা সাইকল থৌখি।

মিষ্টর (এল)ঃ করাম রাজিভনা ১৬ শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০২৬ কী মেন্স স্পোর্টস ফিজিক্কী চেম্পিয়ন ওইরে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসন অমসুং যুনাইতেদ জিম বিষ্ণুপুরনা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কিয়াম্বা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা কন্টেষ্ট অদুগী জ্নিয়র অমসুং সেনিয়র কেটাগোরিদা প্রিতম নহাকপমনা অহানবা পোজিসন তাখি।

--চিত্রভানু--